ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ০৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৯২শুবা মশীং

# কমপ্লেন্ট বোক্স থম্বা

## এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ৱাফম পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি

খুন্নাই অমা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীয়াম্বু এদ্যুকেসনগী মঙাল নীংথিনা লৈহনবা য়াম্নমক মরুওই হায়বসি অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লরবা অমদি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরবু মাঙলোমদা পুখৎননবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা লমদমসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহন্ননবা লৈঙাক, মহৈরোয় লূপশিং, ওজাশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা থৌদাং য়ারিবনি। লৈঙাক অসিগী অনৌবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেনবু দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস) অমসুং সমগ্রা সিক্ষা মণিপুরনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ওক্টোবর ৫দা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টোরেটতা কমপ্লেন্ট বোক্স অমা থম্লগনি। ওজাশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং, ওজাশিংগী সজেসনশিং অমদি হংনিংবা ৱাফমশিংগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট বোক্স অসি থমগদৌরিবনি। করিগুম্বা কমপ্লেন্ট বোক্স অসিগী খুথাংদা লাক্কদৌরিবা কমপ্লেন্টশিং অদুগী মনুংদা মরম চাবা কমপ্লেন্টশিংদি থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। ওজাশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং, খুদোংচাদবশিং অমদি পেন্দবশিং অদু মিনিষ্টরদা হকথেংননা য়ৌহনবা ঙম্লমদবা অদু অনৌবা থৌশিল অসি পায়খৎলক্লবদি শোয়দনমক্কী য়ৌহনবা ঙম্লগনি খল্লি। ওজাশিংনসু মখোয় মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, পায়খৎহন্নিংবা থৌরাংশিংগী মতাংদা চিংনবা লৈতনা ৱাকৎহন্নিংই। ওজাশিংনসু মতম-মতমগী ৱাকৎফম থোকপা কয়া কিথিক-কিরুম তৌদুনা ৱাকৎলক্লবদি কমপ্লেন্ট বোক্স অসি থম্লবগী ৱাহন্থোকসু লৈরোই। লোয়ননা ৱাকৎ লাক্লবনিনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌশিল-থৌরাংশিংদা অশোয়বা য়াওদ্রে অমদি ওজাশিংনসু পেন্দবা ৱাফম অমত্তা লৈত্রে হায়না লৌখিবসু য়াই।

ঙসিদগী চহী ১০/১৫ রোমগী মমাঙদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয় কয়া মহৈ-মশিন তম্লরম্মী। অদুবু লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি তপ্না তপ্না শিথরকপগা লোয়ননা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লৈঙাক্কী স্কুল শিথরক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরম কয়া শোয়দনা লৈফম থোকই। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচা ওইবশিংবু এদ্যুকেসনগী মঙাল নীংথিনা ফংহন্ননবনি হায়দুনা লৈত-লায়রগী ৱাফম থাদোক্লগা প্রাইভেট স্কুলশিংদা য়াল্লবা শেনফম পুথোক্তুনা মহৈ-মশিন তমহল্লিবনি। মতম অমদা মমিং লৈরম্বা লৈঙাক্কী স্কুলশিং তপ্না তপ্না শিথরক্লিবা অসি এদ্যুকেসনবু শেন্দাল লম্বী ওন্থোরকপা অসিসু মরুওইবা মরম অমনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরিবনি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা লন্নাই স্কুল খরনা অফবা মহৈরোয়শিং খন-খন্দুনা লৈবগী থৌওং চথুরকপা অমদি মহৈলোয়শঙ অমনা পীক্লিঙৈদগী হৌনা মখোঙ শোমদুনা শেমজরকপা মহৈরোয় ফাওবা মহয় চারমদাইদা অতোপ্পা স্কুলনা লৈবগী চৎনবী অমা লাক্লে হায়না ওজা কয়ানা ফোঙদোক্লখিবসু লৈখ্রে। অনৌবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা স্কুলগী থাক্তা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা তোকখিবা অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না মিং চল্লক্তবা অসিগী মতাংদা কুপথনা থিজিনবা মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি মমাঙদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইখিবা কয়ানসু লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহন্ননবা অমদি মহৈরোয়শিং মিং য়াম্না চল্লক্তবা অসিগী মতাংদা য়েংশিন্ননবা ৱাফম কয়া থমখ্রে। অদুবু থবক্তা ওন্থোরকপদি উদ্রি। অনৌবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টোরেটতা কমপ্লেন্ট বোক্স অমা থম্লগনি হায়রকপা অসিনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহন্ননবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি খল্লি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা কথোকপগা লোয়ননা থবক্তা তৌরিবা ওজাশিংনসু মখোয় মখোয়গী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মশিং য়াম্না তম্লক্ননবা পায়খৎনিংলিবা থবক থৌরমশিং অদু মিনিষ্টরদা হকথেংননা খঙহনবসু ঙম্লগনি খল্লি। মরম অসিনা কমপ্লেন্ট বোক্স থম্ননবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩

১। লমদম অসিগী শক্লাইরবা কবি অমগী অফাওবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তা য়াওবা, করি শৈরেংদগীনো হায়য়ু।

“নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি;
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি..
চীঙ্গী খোইমু শাহুল তম নুংশি-কাইহৌ শৈরেং লেং,
হেম্মোইনজ মুনা য়েং হেদৌনজ চিংনা য়েং,
নাপ্পচীক্ল নঙ্গী কা শক্লল্লেদো কয়া ঙং,
নুংশি-খুদোল ফংবরা লৈশিল লৈশিল লৈখোং শঙ!
নোংচুপ চীঙ্গী কোরৌ ওই খূনীং মোইদোন কাঙন কাঙ
খাঙলল্লেদো কয়াম্ম নুংশি, নঙ্গী খরায় লাং!”

২। “মদন কাম অমসুং চিন্তামনি স্বয়ম্বর” হায়বা ফাওরবা লাইরিকসি মণিপুরীদা গোকুল্লানন্দ সিংহনা হন্দোকপনি। চীম্থাং ৱারীদগী লাইরিক ওইনা ইথোকখিবা অইবদু কনানো অমদি করি লমগী ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনো?

৩। মাহাত্মা গান্ধীগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মণিপুরীদা ইহান হান্না কনানা করি মমিং হায়না থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৪) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা সাহিত্যগী লম্‌দা পীবা “যামিনি শুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল” অসি য়াম্না লীরবা অমসুং ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি ইহান হান্না কনানা ফংখিবগে?

৫) এলাংবম নীলকান্ত সিংহগী মমিং চৎলবা শৈরেং “নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি” হায়বসি অফাওবা কবি অমগী মমিং য়াম্না চৎপা শৈরেং অমনা ঈথিল পীবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা শৈরেংদু করিনো? কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফিসিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিনগী নোবেল প্রাইজ ২০২০ (হেপটাইটিস সী ভাইরস পুথোকখিবগীদমক)

সাইন্সকী খোঙচৎ


কুঞ্জো নাওরেম

পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী চিরবা তাল্লক অসিদা নুংঙাইরবা পাউসু অদুম লাক্লি। কারোলিন্সকা ইন্সটিট্যুটকী নোবেল এসেমব্লিনা ওক্টোবর ৫দা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না, **হেপটাইটিস সী ভাইরস পুথোকখিবগীদমক্তা হার্ভি জে ওল্টর, মাইকেল হোউটন** অমসুং **চার্লস এম রাইসতা** চহীসিগী নোবেল প্রাইজ পীরগনি। হেপটাইটিস সী হায়বসিবু কয়ামুক য়াম্না শাথীবা লায়না ওইদুনা, মসিগী ভাইরস অসিবু পুথোকখিবগীদমক মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা মনা অসি লান্থোক্কদৌরিবনো? হংবমক য়াবা ৱাহংনি, মসিনা কোভিদ-১৯গুম্না মালেমদা চৈথেং পীখ্রবরা? দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুংইন্না, মালেমদা কুম পুরবা হেপটাইটিস সী ভাইরস ইনফেক্সন অসি মীওই ক্রোর ৭.১দা নাই হায়রি, অদুগা কুমজা ২০১৬তা মী লাখ ৪মুক শিহনখি হায়না পানৈ। ফিরাক্কী কেন্সর অয়াম্বগী হৌরকফমসু মসিনা ওই। অতোপ্পা অমরোমদনা, অসিগুম্বা ভাইরস অসিগী মায়োক্তা লান থেংনরকপদা হেন্না মায় পাকহল্লকখি : য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা ঈবু টেষ্ট তৌনবগী পাম্বৈশিং, এন্টিভাইরেল দ্রগশিং পুথোরক্তুনা লায়নাসিবু মপূং ফানা ফহনবা ঙমদুনা, মালেমদগী পুংমুৎ মুৎথৎখিবা য়াবগী ফীভম অমা লাকহনখি। মসিবু ওইথোকপা ঙমহন্নবগীদমক, মালেমগী ওইনা ঈবু টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং মালেম শিন-থুংনা এন্টিভাইরেল দ্রগশিং ফংহনবগী মথৌ তাই।

হেপটাইটিস হায়বসি *‘হেপর (ফরাক)অমদি আইটিস (ইনফ্লেমেসন)’* হায়বা গ্রীক্কী ৱাহৈ অনীসিনা পুনশিল্লগা শেম্বনি, অদুগা মসি হৌরকফম অনী - *ভাইরসকী ইনফেক্সন নৎত্রগা য়ুদা লাইচুবা, অকোয়বদা লৈরিবা হু চেনবা পোৎশিং* অমসুং *ওটোইম্যুন সিষ্টম*না থোকহনবা য়াই। ভাইরসনা থোকহনবা হেপটাইটিসকী মখল অনীনি - *মোৎলবা ঈশিং অমসুং চিঞ্জাক্তগী শন্দোরকপা, হেপটাইটিস এ;* অমসুং *ঈ অমদি হকচাং মনুংদা য়াওরিবা মহি-মনাইশিংদগী শন্দোরকপা, হেপটাইটিস বি অমসুং সী।* হেপটাইটিস বি অমসুং সীনা এদগী হেন্না শাথীবা হেল্লি; মখোয় অনীসিনা কুম পুরবা ফীভম অমা লাকহন্দুনা সিরোসিস অমসুং ফিরাক্কী কেন্সর ওইহল্লকপা ঙম্মী। মসি তপ্না-তপ্না হৌরকই অদুবু তুং কোইনা মী অমবু নাহল্লবা মতুংদা শাথীবা ফীভম কয়ামুক থোকহল্লক্লগা শিহল্লি। ঐচ আই ভি-ইনফেক্সন অমসুং ট্যুবরক্যুলোসিসকা চাংদম্নবা য়াবা চাং অমদা মসিনা মালেমগী হকশেলদা অচৌবা অয়েৎ-অপন অমা ওইহল্লি।

**হারভি জে ওল্টরদা করিগীদমক ?**

কুমজা ১৯৬০গী মতমদা, *বারুক ব্লুম্বর্গ*না ভাইরসনা থোকহনবা ঈদগী শন্দোকপা হেপটাইটিস বি হায়না খঙনবা লায়নাসি মশক খঙবা ঙমখি। মসিদগী হেপটাইটিস বিবু টেষ্ট তৌবা অমদি কান্নরবা ভেক্সিন পুথোকপসু ঙমহনখি। মসিগীদমক মহাকপু কুমজা ১৯৭৬তা ফিসিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিনদা নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মতম অসিদা, হারভি জে ওল্টরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনল ইন্সটিট্যুটস ওফ হেল্থতা অতোপ্পা মীদগী ঈ কাপ্পুরবা মীশিংদা নারকপা হেপটাইটিসকী মরমদা কূপ্না থিজিনবা হৌরকখি। ঈগী সেম্পলশিংবু টেষ্ট তৌবদা হেপটাইটিস বি ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌবগী চাং হন্থবা থেংনজরবসু, ওল্টর অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা হেপটাইটিসকী অনাবা কয়াদি লৈরি হায়বসি খঙলকখি। তাল্লক অসিদা হেপটাইটিস এ ভাইরস ইনফেক্সনগী টেষ্ট তৌবগী পাম্বৈসু পুথোরকখি, অদুবু ওল্টর অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা থেংনরিবা অসি হেপটাইটিস এসু নত্তে, বিসু নত্তে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলকখি।




**মথক্কী য়েৎঃ RNA জীনোম অমসুং ভাইরেল গ্লাইকোপ্রোটিন E1 & E2 য়াওরবা ভাইরস মখাঃ 5' & 3' টর্মিনেল অনত্রান্সলেটেদ রিজনশিংগা লোয়ননা ষ্ট্রকচরেল অমসুং নোন-ষ্ট্রকচরেল প্রোটিনশিংদা কাইরবা অচৌবা পোলিপ্রোটিন অমবু ইনকোদ তৌরিবা ভাইরেল জীনোম**



হারভি জে ওল্টর মাইকেল হোউটন চার্লস এম রাইস

অতোপ্পা মীদগী ঈ কাপ্পুরবা মীওই কয়ামুক্তা মশক খঙদবা হেপটাইটিস অমনা নাহল্লে হায়বসি খঙলকপসিমক পূক্লিং য়াম্না চিংশিন্নীংঙাই ওইরম্মী। ওল্টর অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা অসিগুম্বা কুম পুরগা নাহল্লিবা হেপটাইটিস মখল অসি চিম্পাঞ্জিশিংদসু নাহনবা ঙম্মী হায়বসি উৎলম্মী। মখা তানা থিজিল্লকপদগী হেপটাইটিস মখল অসি ভাইরসনা থোকহনবনি হায়বসু খঙলকখি অমসুং মায়খুম উপ্তুনা লোৎলগা লৈরিবা অনাবা অসিবু ‘নোন-এ, নোন-বি হেপটাইটিস হায়না খঙনরকখি।

**মাইকেল হোউটন্দা করিগীদমক ?**

লায়না অসিবু মায়থীবা পীনবগীদমক মায়খুম উপ্পগা লৈরিবা ভাইরস অসিবু মশক খঙদোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরকখি। মতমদুদা লৈরম্বা ভাইরস মশক খঙদোক্লবগী পাম্বৈ পূম্নমক শীজিন্নজরবসু ভাইরস অদুগী মায়খুমদু চহী তরামুক্তি হাংদোকপা ঙমদনা লাকখি। ‘চিরোন’ হায়না খঙনবা ফারমস্যুটিকেল ফার্ম অমদা থবক তৌরিবা মাইকেল হোউটননা ভাইরস অদুগী জিনেটিক সেক্কেন্স অদু লৌথোকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়ামুক মায়োক্লরম্মী। হোউটন অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা ইনফেক্ট তৌরবা চিম্পাঞ্জি অমগী ঈদা ফংবা ন্যুক্লিক এসিদশিংদগী দি এন এ ফ্রাগমেন্টশিং খোমজিল্লম্মী। ফ্রাগমেন্টশিংসিগী অয়াম্বদি চিম্পাঞ্জি মশামক্কী জিনোমদগী লাকখিবনি, অদুবু খরা অমদি মায়খুম উপ্পিবা ভাইরস অদুদগী থংথরকপা ওইরমগনি হায়না মখোয়না খল্লম্মী। হেপটাইটিসকী অনাবশিংদগী লৌরকপা ঈদা ভাইরস অদুগা লান্থেংনখিবা এন্টিবোদিশিং য়াওরমগনি হায়না খল্লদুনা, থিজিন-লূপ অদুনা ভাইরেল প্রোটিনশিংবু ইনকোদ তৌরিবা ক্লোন তৌরবা ভাইরেল দি এন এ ফ্রাগমেন্টশিংবু মশক খঙনবগীদমক অনাবা মীশিংগী সিরমশিংবু শীজিন্নখি। য়াম্না চেকশিন্না থিজিন-হুমজিল্লবা মতুংদা, পোজিটিভ ক্লোন অমা ফংবা ঙমখি। মখা তানা থিজিল্লকপদগী ক্লোন অসি *ফ্লাভিভাইরস* ফেমিলিগী মনুং চনবা নোভেল আর এন এ ভাইরসনি হায়বা খঙলকখি অমসুং হেপটাইটিস সী ভাইরস হায়না মমিং থোনখিরম্মী। অসুম্না লোৎতুনা লৈরম্বা ভাইরস অদুগী মায়খুম হাংদোরকখি।

**চার্লস এম রাইসতা করিগীদমক ?**

হেপটাইটিস সী ভাইরস পুথোরকপসি য়াম্নমক মরু ওই, অদুবু ৱাহং অমদি হংবা তারকখি ‘ভাইরস মথনখক্তনা হেপটাইটিস থোকহনব্রা?’ ৱাহংসিগী পাউখুম পীনবগীদমক, ক্লোন তৌরবা ভাইরস অদুনা রেপ্লিকেট তৌদুনা লায়না পোকহনবা ঙম্মী হায়বসি উৎপা তারকখি। মতাং অসিদনি সেন্ট লুইগী ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিগী চার্লস এম রাইসনা লৌরকখিবা থৌদাং। অতোপ্পা থিজিন-লূপশিংগা পুল্লগা, হেপটাইটিস সী ভাইরস জীনোমগী লোইশিল্লকপা মচি অমদা, হান্নদা মশক তাকখিদ্রিবা শরুক অমা মশক খঙবা ঙমখি, মসিনা ভাইরস রেপ্লিকেসন্দা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা য়াই হায়নসু খনখি। রাইসনা নাইতোম থল্লবা ভাইরস সেম্পলশিংগী জীনেতিক ভেরিএসনশিংদু মুন্না য়েংশিল্লম্মী অমসুং মখোয়সিগী মরক্তগী খরনা ভাইরস রেপ্লিকেসন্দা অয়েৎপা পীরম্বা য়াই হায়না থাজবা থমখি। জীনেটিক এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা, ভাইরেল জীনোমদুগী নৌনা মশক খঙলকখিবা শরুক্তু য়াওবা অদুবু ইনএক্টিভেটিং জীনেটিক ভেরিএসনশিংদি য়াওদবা হেপটাইটিস সী ভাইরসকী আর এন এ ভেরিএন্ট অমা শেমগৎলম্মী। আর এন এ অসি চিম্পাঞ্জিগী ফিরাক্তা কাপশিনবা মতমদা ভাইরসতু ঈদা থেংনরম্মী অমসুং কুম পুরবা লায়নাদুনা নারবা মীওইবদা উরিবশিংদুগা মান্নবা পেথোলোজিগী অহোংবশিংসু থেংনরম্মী। মসিনা হেপটাইটিস সী ভাইরস মথনখক্তনা ঈ কাপ্লগা মরী লৈনবা হেপটাইটিস নাহনবা ঙম্মী হায়বগী অরোইবা প্রমান ওইরম্মী। ●

# ফরগসন : মালেমদা খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল কোচ

- লৈশাংথেম অজিৎ -

হৌজিক্কী মতমদা শান্নবগী হীরম অমদা থোইদোক হেন্দোক্লা মায় পাক্লে হায়রবদি অখঙ অহৈশিংগা তান্নরগা মতিক চাবা কোচ অমদা অঙাং অদু শিন্নবীগদবনি। ফুটবোল শান্নবদা থৱায় য়াওবা অঙাংশিংগী মমা-মপানা অঙাংশিং অদু ক্লব অমদা শিন্নবা হায়বা অসি চৎনবীনি। খুদোংচাবা লৈরবদি ফুটবোল একাদেমিদা থাবীগদবনি। হেক য়ারিবমখৈ মনাক নকপা লাইরিক-লাইশু তম্বসু য়াবা একাদেমিদা থাবীগদবনি। মরম অসিনা মমা-মপানা মতিক চাবা কোচ অমদি ষ্টাফশিং লৈবা ক্লবশিংদা মচাশিং য়াওহনবা পাম্মী। ফুটবোল ক্লব অমদা খুদম ওইনা অফবা কোচ অমগী মখাদা এসিষ্টেন্ট কোচশিং, ডাক্টরশিং, হকচাং নোয়নবা এক্সপার্টশিং, শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিং অমসুং কোচিং তৌবদা চংবা পোৎচংশিং, শান্নবুং, দিসপেন্সনরি অমদি চাফম-থকফম্নচিংবনি। মসিগী মথক্তা ত্রেনিং এইদস হায়বদি ফুটবোল ত্রেনিং তৌবদা চঙগদবা পোৎ চৈশিং মতিক চানা থমগদবনি। অদুবু ফুটবোলগুম্বা টিম গেমশিংগী ক্লবখক্তা নত্তনা ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরম হায়বদি লমজেল চেনবা, ইরোইবা, লোংজম্প চোঙবা, জিম্নাষ্টিক্স তৌবা, অরূম্বা থাঙ্গৎপা, টাইক্কান্দো অমদি বোক্সিংনচিংবদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগীসু সাইকোলোজি অসি দরকার ওই। ইংলেন্দদা লৈবা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী অফাওবা কোচ সার অলেক্স ফরগসনসু মহাক্কী টিমনা মায়োক্লবা টিম অমা শান্নবদা মহাক্কী সাইকোলোজি কয়ামুক শীজিন্নখিবগী মরমদা ইদুনা থল্লি। ৱারেং অসিদা মহাক্কী সাইকোলোজিগী মরমদা ৱাহৈ খরা থমজরি।



মহাক্লা অসুম্না হায়, শান্নরোয় অমদা হন্না হন্না থাগৎপা অসিসু অফবা ওইদে। মখোয়না অশোয়বা অমা তৌরবদি চৈগদবনি, ঙাঙবীগদবনি অদুগা অমুকসু মখোয়বু থাগৎপীগদবনি। বেলেন্স অমদা হায়বদি খল মান্নহনগদবনি। মখোয়বু পংথাদা থাগৎলোইদবনি। নঙ অদুম্না শান্নরিবা করিগীনো, নঙ মদুদগী হেন্না ফজনা তৌবা ঙম্মী হায়বা ৱাহৈশিং অসি শীজিন্নগদবনি। মখোয় অসি মখোয়না তৌরিবা থবক অদুগী থৌদাং লৌগদবনি। হায়বদি মখোয়না শান্নবদা শোয়বশিং, অরানবশিং, মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স লেভেল অমসুং অরোইবদা শান্নবগী ফল পোবা নৎত্রগা থোইবনি।

ফরগসন্না হায় মদুদি ঐখোয়না তৌরিবা ইন্দষ্ট্রি অসিগী ফল য়াম্না ফরম্মী। করিগুম্বদা ঐখোয়না পাঞ্জল ৬-০দা থোইবা য়াওখি। গোল অমা চনবদা পাস ২৫ রক তৌনবসু য়াওখি। অদুবু অরোইবদদি মাঞ্চেষ্টরনা পাঞ্জল থোই। কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদু হন্থরবদি ক্লবনা নঙোন্দগী করি পাম্বগে হায়বা ৱাহৈ অসি তত্তনা হায়।

মহাক্লা অনৌবা কোচশিংদা অসুম্না হায় মদুদি, শান্নরোয়গা মুক্লগনু, খৎনগনু। করি অমত্তা খৎনদনবা হোৎনৌ, মদুদা য়েংশিন্নগনু। নহাক্লা শান্নরোয় অমগা মুক্লনবা হোৎনরবদি, মহাকসু মদুগী মায়োক্তা নহাকপু মুক্লনবা হোৎনরক্কনি। মদুদা মহাক্লা খুদোংচাবা লৌখিগনি। খুদম অমা হায়রবদা স্কোটলেন্দগী কেপ্তেন মার্টিন বকননা বর্লিন টিমগী কোচ ওইরিঙৈদা মহাক্লা টিম অদুগী কেপ্তেনদা নোংমদি কিন্না থিল্লম্মী। মদুদা ফরগসন্না অদুম্না তৌগদবনি, অফবা খোঙহৌনি হায়খি। মহাক্লা অনৌবা কোচ মার্টিন বকনদি চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎচবা অফবা কোচনি হায়খি। মার্টিননা ওলধাম টিমদা ত্রান্সফর তৌবা মতমদা মঙোন্দা পাউন্দ ৪০০০ পীরম্মী। মসি মতম অদুদদি য়াল্লবা শেনফমনি। মহাক্লা শেনফম অদু ফুটবোলগী বোর্দতা শিন্নখি। মহাক শেল লৌবা অমদি ফুটবোল শান্নবগী মমিংদা শেল তানবসু পামদে। মসি মহাক্কী মতমগা য়েংনবদা য়াম্না খেন্নরে।

ফরগুসননা হায় মদুদি মহাকপু ভাবকশিংনা অমদি য়ুরোপ মচাশিংনা Machiavellian Strategies তৌই হায়না লৌনৈ। অদুবু মহাক্তি ফত্তবা মওংদা থবক তৌদে। মহাক্তি মীনা পামদবা লৌনম তৌই, মহাক্লা মহাক্কী মায়োক্লবা টিম চেলসিগী কোচ কার্লো এনসিলোত্তিদা হায়খি মদুদি সিজন অদুগী তঙ্খায় চল্লকপা মতুংদা মহাক্কী টিম মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ কা হেন্না ফগৎলক্কনি। মহাক্লা অসুম্না চহী খুদিংগী তৌই, সিজন অমগী তঙ্খায় চল্লকপা ঙাইদুনা লৈ।

মহাক্লা হায় মদুদি মহাক্কী থৌওং অদু ফজনা চথুবা য়াই। মহাক্কী টিম অসি লান্দবগী অকনবা লম্বী অমগুম্না চঙশিল্লি। মহাক্লা হায় মদুদি ঐহাক শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা লুপ্তুনা লৈরি। মসিনা মায়োক্লবা টিমবু কিহল্লি। অদুবু সিজন অমগী অনীশুবা তঙ্খায়দা মহাক্কী টিম অসি লান তারকপগুম্না চঙশিল্লি। অদুনা মায়োক্লবা টিম অদু অকিবা পোকহল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙবা ঙম্মী।

মহাক্কী খুদাংদা শীরিবা ঘড়ী অদুগী মমায়দা খুদোম্বীনা তপ্না তপ্না য়ৈবা অসিসু সাইকোলোজিগী মায় পাকপা শরুক অমনি। ফুটবোল শান্নরিঙৈদা মহাক্কী ঘড়ীদা শুকয়েং য়েংদে, চাওরাক্লদি য়েংই। ঘড়ীদা খুদোম্বীনা তপ্না তপ্না য়ৈবা অসি অতোপ্পা টিম্না চঙক্লে, মসিগী মরম খঙনীংই। মদুনা অনৌবা থৌরাং অমা তৌরক্কদ্রা হায়না মখোয়না খল্লি। মখোয়না মিনট ১০দি হাপকদবা লৈরি। মীপূম খুদিংমক্লা খঙনৈ মদুদি মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতি অথেংবদা পাঞ্জল চনগল্লি হায়বসি। মহাক্লা মখূৎনা ঘড়ীদা য়ৈবা মতমদা অতোপ্পা টিম অদুনা দিফেন্স তৌনবা হোৎনৈ। মরম অদুনা মখোয়না পাঞ্জল চনবগী খুদোংচাবা ৱাৎলি। মখোয়গী মথক্তা লাল তাশিনবগুম্না খল্লকখি। মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী টিমদি অথেংবদা দ্রামা তৌরক্কনি হায়বা মায়োক্লরিবা টিমশিংনা নিংথিজনা খঙই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।